# ৫শুবা থোংজু কপ ২০১৮ ৱাইদিও, এসদব্লিউসি, রেসো মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, মে ১ঃ

থোংজু কেন্দ্রা য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা অকাম্পাৎ প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা ৫শুবা থোংজু কেন্দ্রা গেম ২০১৮গী শরুক অমা ওইনা কেন্দ্র অসিগী ফুটবোল টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগদবা ৫শুবা থোংজু কপ ২০১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোংমনদা শান্নবা হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ ৪দা ৱাই দি ও কোংবা, এস দব্লিউ সি খোংমন, রেসো কোংবা খুনৌ মায় পাকখ্রে অমদি দব্লিউ ৱাই এল সি ও কোংবা বজারগা এম এম সি মোংখাংলম্বীগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই দি ও কোংবা অমদি মৈরা বাসিখোং টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দি ও কোংবনা য়াম্না লাকচনা গোল ৫–০দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাই দি ও কোংবগী গোল ৫ অদু এ য়াইফবনা মেটচকী মিনট ১ অমসুং ৭ চৎপদা গোল ২ অমদি টিঐচ রামেসনা মেটচকী মিনট ১০, ৩০ অমসুং এদিস্নেল টাইমদা গোল ৩ অমগা চনখি।

অনিশুবা মেটচতা এস দব্লিউ সি খোংমন অমদি এ এস এ কোংবা রোদ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা এস দব্লিউ সি খোংমননা গোল ৩–২দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এস দব্লিউ সি খোংমনগী গোল ৩ সিঐচ সুসিলনা মেটচকী মিনট ৬ অমসুং ৫৯ চৎপদা গোল ২ অমদি এন বিকাস মিনট ২৪ চৎপদা গোল ১গা চনখি। মায়থিহৌরবা এ এস এ কোংবা রোদকী গোল ২ অদুনা অষ্ট্রেলিয়ানা মেটচকী মিনট ৩২ অমসুং ৪৮ চৎপদা গোল ২ চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী মেটচ ওইনা নুংথিল শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দিভাইন ক্লব নামৈরাকপম লৈকায় অমদি রেসো কোংবা খুনৌ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা রেসোনা য়াম্না লাকচনা গোল ৭–১দা দিভাইন ক্লবপু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা রেসো কোংবা খুনৌগী গোল ৭ অদু এল বুঙোনা মেটচকী মিনট ২ অমসুং ১৪ চৎপদা গোল ২, এল রোহিৎনা মেটচকী মিনট ১০, ১৭ অমসুং ৪০ চৎপদা গোল ৩, এম নুর্জিৎনা মেটচকী মিনট ৪৪ চৎপদা গোল ১ অমদি এম তেক্সননা মেটচকী মিনট ৪৮ চৎপদা গোল ১গা চনদুনা পুন্না গোল ৭ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা দিভাইন ক্লব নামৈরাকপম লৈকায়গী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু টিঐচ মনিসনা মেটচকী মিনট ৬০ চৎপদা চনখি। নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা দব্লিউ ৱাই এল সি ও কোংবা বজার অমদি এম এম সি মোংখাংলম্বী টিম অনিনা মানবা মওংদা লম্বা তৌনবদা গোল ১–১দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা দব্লিউ ৱাই এল সি ও কোংবা বজারগী গোল এ জে ক্সননা মেটচকী মিনট ১৯ চৎপদা অদুগা এম এম সি মোংখাংলম্বীগী গোল অদুনা এ নাওবনা মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং অয়ুক শান্নগদবা গ্রুপ সিগী লীগ মেটচ অমদা বি পি ৱাই সি বাসিখোং পান্থোইবীগা ৱাই দব্লিউ সি সাইরোম লৈরক্কা, গ্রুপ দিগী লীগ মেটচ অমদনা এস ই ৱাই ও ক্ষেত্রি লৈকায়গা আর এস সি থোংজু ৱাইখোম খোংনাংগা, নুংথিল শান্নগদবা গ্রুপ এগী লীগ মেটচ অমদা মৈরা বাসিখোংগা এ এস এগী শিংজমৈ কোংবা রোদকা অমদি গ্রুপ এ অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদনা ৱাই দি ও কোংবা মখা নান্দেবম লৈকায়গা এস দব্লিউ সি খোংমনগা লম্বা তৌনরগনি।

# আই দব্লিউ এফকী দোপ টেষ্ট রিজল্ট পেন্দে, লৌতুনবা মাল্লি ঃ সঞ্জিতা

ইম্ফাল, মে ১ঃ

ইন্টর্নেস্নেল ৱেটলিফটিং ফেদেরেসন (আই দব্লিউ এফ)গী দোপ্পিং টেষ্ট রিজল্টদা পেন্দবা ফাওই, কনাগুম্বা খরনা লৌতুনবা মাল্লি। এ সেম্পলগী লৌরিবা য়ুরিন অসি মহাক্কী ওইরমগদবা মান্দে চমন্নবা ফাওই, অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা ফোংদোকখ্রে।

নাকল অরোমদা সঞ্জিতাগী দোপ্পিংগী কেস অসিদা ইন্দিয়ান ৱেটলিফটিং ফেদেরেস (আই দব্লিউ এল এফ)না সঞ্জিতাদা ফুল সপ্পোর্ট পিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান ৱেট লিফটিং ফেদরেসননা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়না আই দিব্লিউ এল এফকী প্রসিদেন্ট সহদেভ য়াদবনা থাজবা পিখ্রে।

হিরমসিগা মরি লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হন্দকতা পাঙথোকখিবা কমন ৱেল্‌ঠ গেমসতা ৱেটলিফটিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা ফোংদোকখিবদা মে থাগী ১৬দা আই দব্লিউ এফনা মেল অমা থারক্তুনা মহাক এ সেম্পল দোপ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইনা হায়না খঙহল্লকখি অসিদা চম্মনবা ফাওই। মহাক করিগুম্বা মখলগী দ্রগ অমত্তা শিজিন্নখিবা লৈতে।

মহাক্লা হায়, ২০১০দগী হৌনা মহাক্লা ইন্টর্নেস্নেলগী থাক্তা শান্নরকপা অসিদা দোপ টেষ্টতা রিজেক্ট অমত্তা লৈখিদে। হন দত্তা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেলঠ গেমসগী মাংওইননা মমাং চহি ২০১৭গী নম্বের থাগী ১৮দা লৌখিবা সেম্পলনি হৌজিক পোজিটিভ হায়রক্লিবা অসি। সেম্পল লৌখ্রগা টেষ্ট তৌবদদি মহাক মশা য়াওদবনিনা কনাগুম্বনা হাপচিল্লমবরা নত্রগা সেম্পল অদু মহাক্কী ওইরমগনি হায়বা থাজদে।

কম্মন ৱেলঠ গেমস মমাংদা অমদি মতুংদা কয়ারক হন্না ঈ অমদি য়ুরিন লৌদুনা কয়ারক হন্না দোপ টেষ্ট কয়ারক হন্না তৌখ্রে। অদুবু করিগুম্বা রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদ্রি। মহাক্লা প্রাক্তিস মনুংদা শিজিন্নরিবা চানা পোৎলমশিং ফেদেরেসনা পিবা ঙাক্তনি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা টেষ্ট অসিনা ফাইনেল ওইবা নত্রি বি সেম্পল তৌগদবা ৱাৎলি। কম্মন ৱেলঠ গেমস পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা দোপ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরে হায়বসি করিগী হায়বিখিদবনো। অসুক কুইরবা মতুংদা হৌজিক খক্তদা পোজিটিভ ওইরে হায়রক্লিবা অসি চিংনবা ফাওই। মীয়াম্না মঙোন্দা লান্না লৌবিগনু। মঙোন্দা থাজবা থম্বীবগা লোয়ননা অশেংবা অচুম্বা অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না সঞ্জিতানা মখাতানা ফোংদোকখি।



# মাস কোচিং কেম্প মায় পাক্লা চত্থরি

ইম্ফাল, জুন ১ঃ

হৌজিক হৌজিক মোডেল ক্লব। লুৱাং পোকপা লম্পাক, শিংজমৈ, ইম্ফালদা চহি ১৫ অমসুং চহি ১৯ গী নুপামচা অমসুং নুপীমচা বোল বেদমিন্টন প্লেয়রশিংগী মাস কোচিং কেম্প মায় পাক্লা চত্থরি। মাস কোচিং কেম্প অসিগী কোচশিংদি হান্নগী মমিং লৈরবা বোল বেদমিন্টন সেনিয়র প্লেয়র, শ্রী নিংথৌজম ধনচন্দ্র সিংহ অমসুং শ্রী সাপম প্রেমকুমার সিংহ অনীনা লুচিংদুনা তাকপী–তমবিরি। কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়ারবা বোল বেদমিন্টন প্লেয়রশিংনা কোচ অনিসিদা নুংতিগী রিপোর্ট তৌগদবনি। বোল বেদমিন্টন প্লেয়রশিংনা বোল অমসুং রেকেট / বেট বোল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মণিপুরদগী অতাবা মমলদা লৈবা য়াগনি।

অতোপ্পা মরম অমনা হায়রিবা কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা সব–জুনিয়র (নুপামচা অমদি নুপীমচা) অমসুং জুনিয়র (নুপামচা অমদি নুপীমচা) শিংদগী মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াননবা প্রোবেবল লিষ্ট ২০ /২০ খনগৎকনি। মদুগী মতুংদা ফাইনেল লিষ্ট ১০ /১০ অমুক খনগৎলগা ষ্টেট টিম শেমগনি। মরম অদুনা হান্না মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুরবা চহি ১৫ অমসুং ১৯ গী মখা নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্নমক্না মাস কোচিং কেম্প অসিদা নুংতিগী রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি। রিপোর্ট তৌবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৭ ওইগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমুক খন্নরোই হায়রি। মরম অদুনা পাম্বীবা রেন্টে / ইন্সষ্টিট্যুসন / ক্লব অমদি য়ুনিটশিংনা মাগী মাগী ৱার্দশিং অমসুং প্লেয়রশিং মতম চানা কোচিং কেম্প অসিদা থাবিরক্লবা খঙহঞ্জরি।

# ২শুবা কেএসঐচ তিকেন্দ্রজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ১ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শিন্দুনা চহি ১৩ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল টিম ৫না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২২দগী দি এস এ ককচিংগী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ২শুবা কেএসঐচ তিকেন্দ্রজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল–অন্দর থার্টিন বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ২দা জে এ ককচিং অমদি দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপি মায় পাকখিবগা লোয়ননা টিম অনি অসিনা থা অসিগী ৩দা পাঙথোক্কদবা ফাইনেল মেটচতা লম্বা থেংনরগনি।



ঙসিগী অহানবা মেটচতা জে এ ককচিং অমদি য়ু বি এস এ মন্তক টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা জে এ ককচিংনা গোল ৩–১দা মায়থিবা পিখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা জে এ ককচিংগী গোল ৩ কেঐচ রিসিকান্তনা মেটচকী মিনট ৩৫, ৫২ অমসুং ৫৭ চৎপদা চনখি। মায়থিহৌরবা য়ু বি এস এগী অমত্তা ঙায়রবা গোল হেনরিনা মেটচকী মিনট ২৪ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা য়ু বি এস এ মন্তক্কী জোরামবু মেটচকী মিনট ৩৮ চৎপদা, লনচেনবা মেটচকী মিনট ৪৫দা, জেমসন মেটচকী মিনট ৫৪দা, পদমজিৎ মেটচকী এদিস্নেল টাইমদা অমদি জে এ ককচিংগী এন লেভান মেটচকী মিনট ৫৪দা অমসুং কে দিঙ্কাল মেটচকী মিনট ৬০দা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপিগা এস এ ও ককচিং টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা দি ৱাই এনা গোল ৪–০দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপিগী গোল ৪ অদু দব্লিউ স্যামচন্দ্রনা মেটচকী মিনট ১২, ২৫ অমসুং অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমদা গোল ৩ অমদি এম ভিভেকনা মেটকী মিনট ৩০ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

## ৭শুবা থাঙ–তা ফেদরেসন কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১ঃ

থাঙ–টা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা চহি অসিগী ওগষ্ট ৯ দগী ১২ ফাওবা চান্দিগরদা লৈবা স্কেটিং রিঙ্ক, স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট, চান্দিগর এদমিনিষ্ট্রেসন, সেক্টর–১০ দা ৭ শুবা থাঙ–তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

ফেদরেসন কপ অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি ইউ টি পুন্না ৩১ দগী লাকপা সব–জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী থাঙ–টা শান্নরোইশিংনা মখাগী মশান্নশিং অসিদা চাংদম্নগনি। মশান্নশিং অদুদি চৈবী ফুনবগী কাংলুপ্তা ফুনবা অমা অমদি ফুনবা অনীশুবা, কাঙলোন চৎপাগী কাংলুপ্তা থাঙ–হায়বা অমদি থাঙলোন অমদি খোঙলোন–খুৎলোন অসিনচিংবনি।

ফেদরেসন কপ অসিদা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়াগদবা থাঙ–টাগী শান্নরোইশিং য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেন্দা খল্লগনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা থাঙ–তাগী শিন্দমশঙশিংগী শান্নরোইশিংনা হুয়েল লাংলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন, মণিপুরগী ওফিস, য়ুম্নাম হুইদ্রোমদগী অকুপ্পা মরোল খঙবিরনবা খঙল্লক্লি।

# ৬শুবা শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ১ঃ

এপিয়ুসিও পোইরৌখোঙজিননা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা ৬শুবা শ্যামকুমার ইনভাইসেন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি এএৱাইসিএ (অন্দ্রো) অমদি এলএলপিকে (লেম্বাখউল, লিশামলোক পোইরৌ কব্রাং) টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক্না গোল ২–২ চন্নদুনা মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রে।

এএৱাইসিএ গী গোলশিং অদু এ নবাচন্দ্র না ৭০ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি সি ঐচ চিংলেনসানানা ৭০ প্লস ২ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

এলএলপিকেগী গোলশিং অদুনা তুইসিম মাংসাবানা ৫৩শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি রিবেন কৈশিংনা ৬৬ শুবা মিনটতা গোল ১ গা চনখিবনি।



# অনীশুবা টেষ্ট সেরিজদা পাকিস্তাননা রন ১৭৪ লৌবা ঙমখ্রে

লিদ, মে ১ঃ

পাকিস্তাননা ইংলেন্দদা টুর তৌদুনা পাঙথোকপা ক্রিকেট টেষ্ট সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট সেরিজদা পাকিস্তাননা ওভর ৪৮.১ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১৭৪ লৌবা ঙমখি।



মেটচ অসিদা পাকিস্তাননা তোচ ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংস খনখি। ইন্নিংস অসিদা পাকিস্তাননগী রনশিং অদু অজর আলিনা বোল ২৯ দা রন ২, হারিস সোহেলনা বোল ৫৭ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৮, অসদ শাফিগনা বোল ৪৮ তা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ২৭, উস্মান সলাহুদ্দিননা বোল ১৮ দা রন ৪, সরফ্রাজ অহমদ (কেপ্টেন এন্দ ৱিকেট কিপর) না বোল ১৩ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৪, সাদব খাননা বোল ৫২ দা ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৫৬, মোহমদ অমিরনা বোল ৩২ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৩, হাসন আলিনা বোল ১৬ তা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ২৪ অমদি মোহমদ অবাসনা বোল ১৩ দা রন ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইংলেন্দগী শান্নরোই জেমস অন্দরসননা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৪৩, ষ্টুর্ট ব্রোদনা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৩৮, ক্রিস ৱোকেসনা ওভর ১১ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৫৫, সম কুরেননা ওভর ৭.১ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩৩ পীখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*